# সুরঞ্জয় অমসুং সন্ধ্যারানিদা ভারতকী প্রসিদেন্টনা আর্জুন এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে

*থৌদাং পাঊমীদগী*

*ইম্ফাল, আগষ্ট ২৯:* নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাংথোকখিবা চিংলেন্নবা থৌরম অমদা ভারতকী প্রসিদেন্ট শ্রীমতি প্রতিভা পতিলনা মণিপুরগী বোক্সর ময়েংবম সুরঞ্জয় অমসুং ৱুসু শান্নরোই ৱাংখেম সন্ধ্যারানিদা লৈবাকসিগী শান্নরোইশিংদা পীবা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা আর্জুন এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে।

নোর্মেল ওইনা কেলেন্দর ইয়ার অমদা আর্জুন এৱার্দকীদমক শান্নরোই ১৫ খনগৎতুনা এৱার্দ খুৎশিন্নৈ। মমাং চহি ২০১০ দা কম্মনৱেল্থ গেমস অমসুং এসিয়ান গেমস লৈখিবনা শান্নরোইশিংগী পার্ফোমেন্সতা য়েংলগা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী অয়াবগা লোয়ননা শান্নরোই ১৫ হেন্না খনগৎতুনা এৱার্দশিং পীখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা মণিপুরগী বোক্সর ময়েংবম সুরঞ্জয় অমসুং ৱুসু শান্নরোই দব্লিউ সন্ধ্যারানি খনবদা য়াওখিবনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সিংদা হৌখিবা চহি খরা অসিদা শিংথানিংঙাই ওইবা ইন্টরনেসনেল পার্ফোমেন্স পীবা ঙন্নিবা সুরঞ্জয় মশাগী চহি ২৪ শুরে। মণিপুরগী শান্নরোই অসি ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্টকী উচিৱাদগী হৌরকখিবা শান্নরোইনি। মহাক হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ান নেভিদা থবক তৌরি। হৌখিবা ২০০৪ দা জুনিয়ার ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা ব্রোঞ্জ মেডল পুরকখ্রবা মতুং হৌখিবা চহি ২০০৯ দা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড লৌদুনা ইন্দিয়াগী চহি ১৫ গী গোল্ডগী ইকং থোকখিবা অদু লোইশিলহনখি। অজরবাইজানগী বাকুদা চহিদুগী দিসেম্বর থাদা পাংথোকখিবা ইন্টর কন্টিনেন্টেল প্রসিদেন্ট কপসতা কেজি ৫১ গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেডল পুরকখি। ৱার্ল্ড লেভেলগী সেনিয়ার মেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সপতা বেষ্ট বোক্সর তারকখিবা শান্নরোই সুরঞ্জয়না ইন্দিয়াগী অহানবা ওইরি।

ওল্লকপা চহি ২০১০ দা নিউ দিল্লিদা চহিদুগী মার্চ থাদা পাংথোকখিবা কম্মনৱেল্থ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড লৌখি। দিল্লিনা য়ুম্থু ওইখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড ফংখি। গুৱাংজৌ এসিয়ান গেমসতা মহাক্না ব্রোঞ্জ মেডল পুরকখি। মহাক্কী পার্ফোমেন্সশিং অসিনা চহিসিগী ওইনা বোক্সিং মশান্নদা সুরঞ্জয়না আর্জুন এৱার্দ অসি ফংবা ঙমখি।

ৱুসু মশান্নদা মণিপুরগী ৱাংখেম সন্ধ্যারানিনা গুৱাংজৌ এসিয়ান গেমসতা সিলভর মেডল পুরকখিবা অদুবু শকখঙবা ওইনা চহিসিগী আর্জুন এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখিবনি।

হান্না বোক্সিং শান্নরম্বদগী ৱুসু মশান্নদা চংদুনা সন্ধ্যারানি মহাক্কী ইন্টরনেসনেল কেরিয়ার শেম্বা হৌরকখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী দব্লিউ সন্ধ্যারানি ২০০৩ গী বোক্সিং এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী কেম্পতা মহাক খন্দুনা শরুক য়াখি। শান্নরোই ৭ কা লোয়ননা কোচকা নিংঙাই শংদান্নবদগী কেম্পতগী চেহোরকখি। কেম্প অদুদা মেরি কোমসু য়াওখিবনি। বোক্সিং মশান্নদগী লাপথোরক্লবা মতুংদা ৱুসুদা মহাক্কী পীক্লিঙৈদগী তিন্নরকপা মমান্নবী অমনা পুশিন্দুনা শান্নবা হৌখি। ২০০৪ দা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াদুনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। মেডল অদুনা সিআরপিএফ তা থবক ফংননবা হোৎনবদা মতেং ওইখি।

সিআরপিএফ তা থবক তৌরবা মতুংদা মহাক্না ইন্টরনেসনেল পার্ফোমেন্স পীননবা হোৎনবদা চাওনা মতেং ওইখি। মমাং চহিদা চাইনানা য়ুম্থু ওইখিবা গুৱাংজৌ এসিয়ান গেমসতা নুপীগী কেজি ৬০ গী সানসৌদা সিলভর মেডল ফংখি। গেমস অদুদা মহাক সেমিফাইনেল বাউটতা মখোঙ শোকপদগী ফাইনেল বাউট নিংথিনা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিদে। লাওসকী পালোই বরখামবু সেমিফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা সেমিফাইনেল চংখি। অদুবু ফাইনেলদা ইরানগী শান্নরোইগী মখুৎতা ০-২ দা মায়থিবা নংখি।

চহি ২৭শুরবা মণিপুরগী সন্ধ্যারানিনা হৌখিবা ২০০৮ কী এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপতা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি। লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংগী থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভাবনগী অশোক্কা হোলদা পাংথোকখিবা চিংলেন্নবা থৌরমদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট শ্রীমতি প্রাতিভা পতিলনা সুরঞ্জয় অমসুং সন্ধ্যারানি য়াওনা শান্নরোই ১৯ দা আর্জুন এৱার্দ খুৎশিন্নখি। লোয়ননা রাজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ য়াওনা অতৈ শান্ন-খোৎনবগী মনাশিং খুৎশিন্নখি।